

"কায়নবগী ঈপাকথক শাংলি লৈরাং নীংথিবা, 'কখোকপা' কৌরবা কুম্বী কুমগাংদরবী; নঙনা লৈশাং তমদেদো, থিরবসু ফংদেদো।"
- হিজম গুন (তোনু লাইজিংলেম্বী শৈথারোল)

# ঈশৈহং

## লশিং মফোল

**—ছীন্থাপাল চনু**

মিকুপ কয়ানা
তাশিন্দুনা শেন্লবা
কল্লবা মতমগী থৌরিনা
চিং-চিংদুনা পুবিরি
অমুক ৱাংখৎ
অমুক নেমথ
নুংশিৎকী শাহুম্না পুবা মায়কৈদা
পন্থুংফম খঙদ্রিবা খোঙচৎ
লশিং মফোনগুম কোইপাই পাইদুনা।

হে লাইওইরবা থৌদু নূংজাউ
নঙগী লেঙদ্রবা খুভম অদুগীদমক
ঐনা নঙবু কয়াদা কল্লকচরিবা
ঙল্লবা লোক্কী ঈচেলদা
থরো মালো ওন্থরকখি নোংমা,
ঙসিনা লুরবা লাইজ ইরোলনুংদা
ৱাখল তৌরিবা মুনিগুম
চক কয়া মচী লেঙদনা লৈরি,
য়েংনীংদ্রদুনা তাইবঙপালগী লিচৎপু
হাৎতোক্লবগী মীনুংশি য়াওদনা
য়েংথিনবগী কল্লক্লবগী, চাউজনীংবগী।

করিগুম্বা ওইরম্লবা নঙনা
ঈচেল কংলবা তোর্ব্বান্দা তাবা
পীক্লবা উফুল মরীক
অশিৎ-অৱান্থাগী নোংলৈগী শাফুদা
পাইরমগনি নঙসু হাঙলবা মালঙদা
পল্লেপফম খঙদ্রিবা ঐগী পুন্সিগুম।

## লমগী চেক্লা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

অইংবা নীংথমগী উলেন খাঙলিবা
পীক্লিবা উচেক মচা মচাশিং
মমাগী অমোনবা মথানুংদা
তুমপক তুমপক লোন্না য়েংলি।

মপূক লাম্বগী অৱাবা
মমাদুদা ওইনজবী
পীক্লবা মচিন মচাশিং অদুনা
চিঞ্জাক পীয়ু হায়রুরি।

কোয়না য়েংজে উচেক মমা
কদোম মায়কৈ তান্না পাইশিগে
মচাগী মচিঞ্জাক থীবা,
খা-ৱাং মায়কৈ কোইরৈ লৈনা।

মহুমদগী লোন্না লোন্না
য়েংই উচেক মচাশিং
মমাগী মতৌ উরগা
মখোয় মশেল মথুম মরাং হৌনা চীক্লরি।

মহুম তান্না হল্লকখি
মচাশিংগী চিঞ্জাক পুদুনা
মখোয় মশেল মুন্নরি
ঐঙোন্দা পীয়ু হায়না মঙক তিংথোক্লি।

অহান অকোন নাইনা য়েল্লি
অমুক তন্না পাইখি অমুক তন্না হল্লকখি
অৱাৎপা মচাগী ময়াদা অমুক হাপ্লরি
কয়াদা নীংথিজনা য়েল্লিবা।

নীংথিজরবা মপূগী খূৎশেম্নু উরুরগা
পূক্লিং থম্মোয় মকা লামজরি
মপূ মাবু নীংশিং নীংশিং শৈথাজরি।

## হা গোবিন্দ ইবুংঙো

**—অথোকপম তোম্বা**

হা গোবিন্দ ইবুংঙো!
ননাই ঐখোয়দি কপনীংলে
চহী কুমজা কয়ানো
ননাই ঐখোয়না য়েংখিদৌবা।

ইবুংঙোগী থৌগল তৌনবা
ৱাকয়ৈ হিশু য়াওরক্তে
লাইজ ঈপাক্লা লাঙ্গোয়দি
নোংজু পান্থা খুদিংগী
ননাইনা থৌগল তৌজনীংই
করম্না থৌগল ফংগনি।

প্রভু নঙদি তাইবঙগী মপূনি
লাইজ মাবু ফংহনবীরো
চঙবা ঙমদ্রে ননাইদি
শামু-পাঙ্গল শোনবনা
থম্বাল মনা শাৎপা
লৌবুক, পাৎ ঈয়াইদা
হাইনা হুম্না শাৎপনি
কল্লবা কোয়লাস মথক্তা
লৈরাং মানা শাৎঙমদে।

লাইজ মাবু অমুক্তং
ফংহনবীয়ু প্রভুনা
য়েংবদি হৈ ঙাঙবসু হৈ
খূৎ য়াওদ্রবসু প্রভু
ইপাক ওইদনবা শেম্বীদ্রসু

প্রভগী খুয়াখাদা চঙজনবা
লাপ্না থৌগল তৌজবা
থৌজানবীয়ু হা গোবিন্দ।

পীনহৈবা প্রভুগী
থৌজালনা ইরম নালা
ফাৎতুনা প্রভুগী খুয়াখাদা
থৌগল ফংহনবীয়ু ঐখোয়বু।

## শাক্ষি

**—ডা. শশিকুমার য়ুরেম্বম**

ৱা ঙাঙদবা শাক্ষি অমা
মরোল থোক্তবা শাক্ষি অমা
মনা পঙবা পাউমী অমা
লাইরিক হৈতবা পন্দিট অমা।

লৈবাক শেন্লনি থোরক্লি
লোক্তাক্কী ৱাথোক
সী সী টি ভিগী ঈহৌ
মীয়াম মমাঙদা বল্লিগী থৌদোক
শেঞ্জা থুমজাগী ঈরাং।

পূন্নমক নুংশা মঙান্দা
উন ওনখ্রবা ৱাথোক
থিজিনগনি মথং মথং
শোয়দনা হংলনি ৱাহং
মকোক য়াওদবা জজশিংনা।

## চুংশিন্নবা লৈঙাক

**—থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ**

লাক্লে-লাক্লে, শেন্লে-শেন্লে
অনৌবা চুংশিন্নবা লৈঙাক
মীয়াম্না পাম্নরবা মোদিজীগী
পার্টি তরেৎনা পুল্লগা শেম্বা লৈঙাক
মনীং তৌবা ঙল্লোইদবা লৈঙাক
মীখা পোল্লগা শেম্বা লৈঙাক
হিংগদৌরিব্রা শিগদৌরিব্রা খঙদ্রি

কয়াম কুইনা চৎপা ঙমগদৌরি?
মান্নদবা তিন্নদবা কাঙলুপ ময়াম
পুল্লগা শেম্বা লৈঙাক
লৈ পরেংদা হায়রগনা
লৈখল শুরবা পরেংনি
লুচিংপুরেল মথা শাবা হৌরনি
কনাগী ৱাবু তাগনি
কনাগী ৱাবু তারোইদগে
পোরোম থোঙবা, শরেং থোঙবা
অহাওবা এঙ্খাং ঙাক্তনি, অদুবু
চাদ্রিবনিনা মহাউদি খঙদ্রি
য়েংমিন্নসি পুনশিন্নবা লৈঙাক
শেম্বা ৱাবা লৈঙাক।

## মীতৈ চনুদো

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

য়েল্লাং কেঙোয় হেক
মঞ্জুনরবা ফিজেৎনা
সনা কৈথেলগী চীদাইদা
মিহুন থকৎনা ফন্লিবী
মহাক্তো।

মীতৈ চনুনি।
হিংবগী লান্দা
চারা নাম্মা চা
পিক্লিবী মচা নমদা পো
লাম্থেংনরিবী মহাক্তো
খুন্নাইগী থৌদাং য়ারিবনি।

ত্রাফিক দারোগাদি তোনানবা
লিচৈ মচি ফেং
কোয়তান তাল্লিবা
মীপাই চাউবী মহাক্লা
বাবু চৎপা ঙাইরিবী
মহাক্তো মীতৈ লৈমনি।

## তূমনীংবনি ঐ

**—আর কে মঙ্গিন্না**

মহৌশা ইমানা পীবিবা
অইং-অশাগী খুদোল
ইফমদা করিসু ফাওদ্রবা,
অরাম খৌরাং মীনোক মৈশা
ফজবসু অথিবসু পূন্নমক অমতনি ইফমদা,

মপোকসিগী উদনবা তুমিন্না
চরোইনা তেতু খোঙলগা
ক্লাক্কী লানবাউ লাক্লগা
পোম্বী চেক্লানা য়াকাইরকপদা
কোরৌ মশেক লোইনবা
চীংখৈ ফিদুপ হুলকপদা
খোমলেন মীৎকপ অমুক হন্না থোক
করিবু মমল লৈরিবা ইফমদা।

মীনুংশিনা থল্লগা 'তূম্মুরো' হায়বা ৱাহৈদু
থোঙজিন খুদিং চঙলদুনা
চাক্লিরিবা মহাক্তো খঙলম্লবা ইকায়বা
হিংলমগনি চিকখোন নাওখোননা
তাইবঙ মীওইপোকসিদা।

# The 10 days

## (A Revelation/the escape from Death)


### (মথৌ মশক খঙবা অমদি মথৌনা লৈবা ওফিসার অমগী ৱারী)

*থৌনা ফবা* মীগী ৱারীদি মতম্না মুৎথৎপা ঙমদে, মৈনা ঈশিংনসু চাকপসু ঙল্লোই, চামথোকপসু ঙল্লোই। গ্রীক্কী মথৌনা লৈবা, লৌশিং চাউবা Odysseus কী ৱারী যুগ কয়া লীনদুনা লৈরিবসিনি। চহী ১০ ত্রোজানশিংগা লাম্থেংনরুরবা, অদুগা লম্বীদা অমুক চহী ১০ অমনা লম্মুক্লদুনা লৈরুরবা তুং কয়াদা ৱানা ময়ূম য়ৌরকখিবা হিরোদুগী ৱারীবু কনানা কাউবা ঙম্নরিবগে ঙসি। অশৈবা, অইবশিংনা শক্লরিবা, শোন্নরিবসু অদুগুম্বা মথৌ মশক খঙবা, মথৌনা লৈবা অদুগুম্বা মীশক্তুগী মরমদনি। লাচন্দুনা লৈহৌরগদবা ৱারী কয়ামা লৈরি মালেমসিদা। ঐখোয়গীসু ৱাক্তে, লৈরি মীপুম তিংনা শক্ল-শোন্নরিবা অথৌবা কয়া, লৌশিং চাউবা কয়া। মসিনা পুৱারীগী ৱানি। হৌজিক হৌজিক ঐখোয়না থেংনরিবা পুন্সি কয়াগী মরক্তা মথৌ মশক খঙবা, মথৌনা লৈবা কয়াসু লৈরি। ওফিসারশিংগী মরক্তসু তাঙনা থোকপা থৌদোক কয়া অমা থেঙনরে। মথৌ পাঙথোকপদা, মথ্বাই কৎখ্রবা ঐখোয়গী ইপাচাশিং কিষন, তোকেন, রাজেনগী ৱারী করম্না কাউগনি। মথৌনা লৈনা থৱায় কৎখ্রবশিংনি। অদুবু লাইবক ফবা হায়গদ্রা নৎত্রগা ঙক য়োল্লগা সেনাপতি ফংই হায়নবগুম ইপাচা অহুম অমদি মথৌ পাঙথোকপদা শিবা কিদনা হিংনা হল্লকখিবা লৈখ্রে। মখোয়গী মথৌনা মরিংজেল লৈবাক্লা শোন্নরি। মখোয়দু কনাসু নত্তে, ২০০৩ দা মথৌ পাঙথোক্লবা মোরেদা চৎলুবদগী হল্লকপা লম্বীদা পলেনদগী পৈশাগীদমক ফারুরবা মতমদুগী কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী দিপুটি দিরেক্টর সনসম জয়কুমার, মাগী দ্রাইভর হাওবম নিশিকান্ত অমদি দিল্লিদগী মথৌগীদমক লাকখিবা, APEDA গী জেনরেল মেনেজর, প্রবীন গুপ্তনি। মখোয়গী মথৌনা মরিংজেন ঙসিফাওবা শোন্নরি। অদুবু মখোয়গী নুমিৎ ১০ দুগী শিবা চঙবগী ৱারীদি কূপ্না কনাসু খঙনদ্রি। মখোয়না লীথোক্তুবদি কনানসু লীরক্লোইদ্রবা ৱারীদু খৌরাংনা ঙাইনরিবনি মীপুম খুদিংনা।

অদুবু ঙসিদি ওফিসার সনসম জয়কুমারনা লাইরিক অসিমা পুথোক্লকপদগী কয়াদা শেংনা খঙলবা মখোয় অহুমগী Odyssey অদুগী ৱারী। লাইরিক অসি পারুরগা ফাওরকই, জয়কুমার কয়াদা মথৌনা লৈখ্রবা, নোংমৈ মুন্নবদা উৎখিবা মাগী মরিংজেন থাগৎতবা কনাসু য়াওগনি থাজদে। হেন্না ফজরিবনা মাগী হায়দোক্লকপা ৱারী, 'The 10 days - a revelation, the escape from death' কৌবা লাইরিকসি ইংরাজিদা ইরকপনা মালেম থুংনা খঙহনবা ঙম্বা অসিনি। মাগী নুংদা য়াওরিবা ইবগী হৈ-শিংবা শক্তি অদুনা লাইরিকসি নোভেল ওইনা পাবগী মহাও পীবা ঙম্মী, অমুকসু মশানা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী ওফিসার ওইবগা সাইন্সকী ছাত্র ওইরকপগনা লাইরিকসিদা এদভেঞ্চরগী লাইরিক ওইনা পারবসু য়ারি, উগী মমিং, লমগী মশক, হৈ-লৈগী মমিং শুনা কূপ্না থাদুনা এদভেঞ্চর অমগী চপ চাবা মহাও পীরি। অদুগীসু মথক্তা লাইরিক অসিদা হ্যুমেন টচ য়াম্না য়াওবা, মীনুংশিগী মশক য়াম্না শীংথাজবা অইবা অমগী মশকসু ফন চোংথোক্লকপা ওইনা উরি। শম্না হেক হায়রবদা লাইরিক অসিমদি ঐখোয়গী ওইনদি তাঙনা থোক্লগদবা মশক অমা পুদুনা লৈহৌরগনি। ফজবা মেমোয়ার অমা শোয়দনা ওইরগনি। পূন্নমকসিগী মথক্তা লাইরিকসিদা অইবা জয়কুমারনা মরম চাবা, তঙাইফদবা ফোটো অমদি দোকুমেন্টশিং ফোটোষ্টেট ওইনা হাপ্পসিনা ইতিহাসকী মচাক অমসু ওইহৌরগনি। পারুবা মীপুম খুদিংনা লাইরিকসিদগী ফংবা ঙমগনি, থৌনা অমদি মথৌ মশক খঙবা মচৎশিং। ফজৈ হায়নীংঙি লাইরিকসি।

ৱারীদি অসিনি - মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা শীন্দুনা ৱার্কশোপ কম ত্রেনীং প্রোগ্রাম অমা ২০০৩ গী এপ্রিল ২১ দগী ইম্ফালদা পাঙথোকখি। মদুগীদমক মপান্দগী স্কোলর কয়া, ওফিসিয়েল কয়া য়াওরখি। মখোয়শিংদুগী মরক্তা য়াওরকখি, শ্রী প্রবীন গুপ্তসু। মহাক দিল্লিদা লৈবা Agriculture and Processed food Products Export Development Authority (APEDA) গী জেনরেল মেনেজরনি। মহাক এপ্রিলগী তাং ২৪ দা লাক্লগা তাং ২৫ দা হনখিগদবনি। অদুবু মোরেগী প্রোগ্রাম অমা য়াওরমদবা য়াদবদগী তাং ২৫ গী ফ্লাইট টিকেট অদু তাং ২৬ কী ওন্থোক্লগা মোরেদা চৎলুবনি। নোংমা লেক্লুরগা তাং ২৬ কী ফ্লাইট নংনবা খরা হাথু হাথুনা দিপুটি দিরেক্টর, সনসম জয়কুমার অইবসিগা লোয়ননা মারুটি অমদা হাওবম নিশিকান্তনা থৌরগা হল্লকখিবনি। পল্লেন পুলিস ষ্টেসন্দা তাং ২৬ কী অয়ূক্কী পুং ১২ দা এন্ত্রি তৌরগা থোক্লকপদা মশক খঙদবা নহারোল অহুম্না নোংমৈ চিন্দোন্দা ফাদুনা চীংনুং-মানুংদা নুমিৎ ১০ নি পুদুনা চৎখিবনি। লাইরিক অসিদা শেংনা উৎলি, নুমিৎ ১০ নি (এপ্রিল ২৬ তগী মেগী তাং ৫ ফাওবা) অসিদা মখোয়বু কদায় কদায়দা পুবা, কমদৌনা থম্বা, মখোয়না করি চাদুনা লেল্লকপা, কমদৌনা মখোয়বু ম্যান্মাররোমদা পুনবা চৎপদা গাড়ী য়ারক্তবগী তাঞ্জা লৌদুনা নহারোল অমগা পিষ্টোল মুন্নবা, অইবা জয়কুমারনা লুচিংদুনা

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | The 10 days<br>A Revelation/the escape from Death |
| মখল | ঃ | মেমোয়ার |
| অইবা | ঃ | সনসম জয়কুমার |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৬ |
| অফোঙবা | ঃ | Notion Press, Chennai |




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

কমদৌনা মেগী তাং ৫ গী অয়ূক্তা য়াইরিপোক পুলিস য়ৌরকপা ওন্থোক্লা কূপ্না ইখ্রে। পাবা হেক হৌরুবদা লোইদ্রিফাওবা তোকনীংদবা, ওন্থোক্লা নুংশিবা ৱারীনা মপূং ওইবা লাইরিকনি। লাইরিকসিদা চেপ্টর ১০ থোক্লা নুমিৎ খুদিংগী পাউ পীরি।

অহানবা তাঙ্কক্তা মখোয় অহুম্বু পল্লেন্দগী ফারগা মখোয়গী মারুটি ভেন অদুদা নহারোল অমনা থৌরগা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মুকোই খুন্দা থম্বগী ৱারী লীরি। মসিদা মখোয়না খঙবা ঙমখি মদুদি মখোয়বু ফারিবসি মোরেদগী মমল য়াম্লবা নূং, হিরা, মনি-মুক্তা কয়া লৈখিবা মীওইশিংগী মরমদা পাউ পীরকপদগী লান্না ফারিবনি হায়বা। মখোয়দগী করিসু ফংখিদে, শেল য়াম্না য়াওনদে, মমল য়াম্বা নূং লৈরকখিদে। অদুবু মখোয় অহুমগী অয়াওবা শেল, ঘড়ী, মোবাইল লোইনা মুনখ্রে। অদুগী মথক্তা মীয়ানচা প্রবীন গুপ্তগী থাদোকমল পৈশা চাউনা হায়রি। মখোয় অহুম্মক ৱানা অহিংদু ফি মচা অমমমগা লেনবদা তাখি। লুরিবনা দিল্লিগী ওফিসার অদুদি থমোয়গী লায়না লৈবা, হীদাক চারিবা অমা ওইরমখি। অদুগী মথক্তা মাদি চীংগী চিঞ্জাক অমতা চাউ হায়বা য়াখিদে। চা অমদি বিসকুটনা লেনখি। মতাং অদুদা অইবা জয়কুমারনা লৌখিবা থৌদাং থাগৎতবা ঙমখিদে মানা গুপ্তবু কনবা হায়বসি মথৌ অমনি হায়না খঞ্জখি। মদুগীদমক মহাক থৱায় থারবসু য়ারে খনখিবদুনি ফজরিবা।

অনীশুবা তাঙ্কক্তা এপ্রিল ২৭ কী নীনী শুবা নুমিৎকী পাউদম পীরি। মতাংসিদা দিল্লিগী ওফিসার অদু লাইহৌ তৌদুনা নারকপা অমদি চাক চাদবগী চোকথবা উৎলি। মদু কন্নবগীদমক অইবনা নহারোলশিংদুদা হায়জদুনা ডোক্তর থিহনখি। অদুবু ডোক্তর লৈতবনা মাইবীগুম্বী অমা পুরকপা, ঈশিংদা শোন্দুনা চাইথোক্লবা, লোয়ননা অনাবদু শাগৎপা ফনবা হোৎনবা কয়া উৎলি। নুমিৎ অসিমসু গুপ্তদি চাক চাউ য়াখিদে, মাগী হায়ববু বিসকুটকা চাগা লোইরে হিংনবা চাজরিবা। অদুবু মফম হোংনবা অমুক পুবা তাখি মখোয়বু অনাবদু য়াওনা। হন্দক্লা অমুক মনুং হুঞ্জিনবা ফুনচোং হায়বা খুল অদুদা। মফম অদুদা নুমিৎ হুমনি লৈখি। মফমদুগী পাউদম মরক্তা অইবনা লৌখিবা থৌদাং অঙকপনি। খুল্লাকপা খুল্লাকপীগী থমোয় হূনবা হোৎনখি। নহারোলশিংদুগী মীনুংশি ফংনবা কন্না হোৎনখি। লোয়ননা লম্মিৎ তুমিৎ খঙনবা ঙাইহাক কোয়থোকপা শুকতোক তোক্তে। দ্রাইভর নীশিকান্তনা নহারোলশিংদুগা জ্বার শান্নবা য়াওশিন্দুনা ঈ-পাউ খঙনবা হোৎনখি। মতাং অসিদা প্রবীন গুপ্তসু মশানা তল হৌদুনা চাজবা অমদি ময়াম্বু পীজবা হৌরে। নহারোলশিং ফাওবগী মীনুংশি ফংবা ঙমখ্রে। মখোয়বু থাদোক্লবা য়াই হায়বগী পাউ ফাওবা ফংলে।

অদুবু মীনা নীংবনা অমা লাইনা তম্বনা অমা হায়বদু তাখি। তম্পাকলোমদা মীওই অহুমসিবু কন্নবা সিফাই ফাওবা য়াওনা কোম্বিং ওপরেসন তৌরকপনা ফারিবা নহারোলশিংবু শাউনবা মচাক ওইখি, অদুনা নেগোসিয়েসন ফেল ওইখি, লোয়ননা মখোয় অহুম্বু ম্যান্মারগী মনুং হুনজিনবা মফমদা পুবা তাখি। অদুনা নোং মরক্তা মালগাড়ী মথক কূপ্তবা অমগী মথক্তা তোংদুনা অহিংদুদা পুরকখি। অদুগা কশোম খুল্লেন য়ৌরমদাই বেহিং হায়বা খুল অসিদা নোংমদু লেকপদা তাখি। নুমিৎ অদু ৬ নি শুবা নুমিৎনি। নোং ঙানবগা মখোয়বু পিষ্টোল পায়বা মীতৈ নহারোল অমগা পায়দবা নহারোল ত্রাইবেল অনীগা লোয়ননা অমুক গাড়ী থৌরকখি। গাড়ী অদুসু নম্বর ওন্থোক্লবা, মখোয়গী মারুটি ভেন অদু ওইরমখি। ঈশ্বরনা মখোয়গী তাঞ্জা পীবগুম থোকখি। লমখাঙদা গাড়ী য়াদদুনা ইনবগা শেম্বগা অহুম্লক তৌখি। তাঞ্জাদু অইবনা নান্থোকহনখিদে, মানা দিল্লিগী ওফিসার অদুবু কন্দবা য়াদবনি খনখি। অদুনা মশামক শিরবসু য়ারে খন্না নহারোল অদুদগী পিষ্টোল মুনখি। মেগজিন অদু কাপথোরকখি। মদুনা নহারোলনা খুনখি, মানা পিষ্টোল অদু চেৎনা পায়হৌখি। অদুগী মতুংদি চৈগী লান, অরোইবদা মখোয়না ঙমদুনা নহারোলশিংদু তানখি। মখোয়না উমংদা চেনশিন্দুনা খোঙনা পুবা মায়কৈদা চেল্লকখি। নুমিৎ হুমনি চুপ্না নোং মরক্তা কয়া, চাদ-থক্তনা লাক্লগা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন য়ৌরকখি। মসিদা থেংনরিবা অৱাবা কয়াদুদি পাদ্রিমখৈ খঙলরোই, পাউদম্বনা কান্ননি থাজদ্রে। তশেংনা অইববু থাগৎতবা ঙমদে, খোঙথাং খুদিং, মায়কৈ খুদিং মাগী ৱাখলনা লুচিংবা তাখি। অঙকপা এদভেঞ্চর মখল অমনি থেংনরিবা।

পাউদম্লিংবা য়ামখ্রে। অদুবু মফমসিদদি য়ারোইদৌরে। অইবগী হৈশিংবা খূৎইনা ফেক্টপু ফিক্সনগী চপ চাবা মহাও অমা হাপ্পা ঙম্মী হায়নীংঙি। লাইরিকসিদা মখোয় অহুমগী ৱারীদা নত্তনা য়ূমলোমদা কমদৌরি হায়বগী পাউসু মতাং চানা চানা হাপচিন্দুনা অপাবশিংদা মপূং ফাবা পাউদম অমা পীবা ঙম্মী হায়নীংঙি। তৌবতবু ইংরাজি লোন্দা ইবনিনা প্রুফ তৌহৌদবগী অমদি চেকশিনহৌদবদগী লোন্দা পুদাদা খক খক পনবা, নুংঙাইতবা মতাং খরা খরদি ময়াওরে। মসিদং খজিক্তং কূপথনা য়েংশিল্লম্লবদি লাইরিকসি ঐখোয় পূন্নমক্কী মায় ওইরমগনি হায়নীংঙি।।

# মীওইবগী অথোইবা থৌদাং

**-মুন্সি প্রেমচন্দ**

*য়াওশঙ* নুমিৎনি। লদ্দুগা রসগুল্লাগদা ঙাওজবা পন্দিট মোতেরাম শাষ্ট্রিদু মাঙ্গোলদা করিগুম্বা ৱাখল অমদা উংদুনা চারপাইদা ফমদুনা লৈরি, মনাক্তা মাগী লোইনবীসু ফম্লি মঙোন্দা মুন্না য়েংলি লোইননা অমেংবা ৱাহৈনা মপুরোইবগী থম্মোয় থেমজিল্লি। পন্দিটসু ফনা কুইনা ৱাখলদা উংদুনা লৈরুরবা মতুংদা মথৱায় য়াম্না নুংঙাইতনা হায়রকই - ঐগী লাইবকসি অসুক য়াম্না থিরিবসিবু করিগীনো, য়াওশঙ নুমিৎসিদসু ...। মাগী লোইনবীনা হায়রকই - হোয় অচুম্বনি, মতমনা ফৎত্রবদা করিদি তৌনি, কনানসু কৌবা লাকত্রে। নুমিৎ খুদিংগী নুমিৎপু খুরুমজরিবনি, তুলসিবু ইরাৎচরিবনি অদুবু করিসু কান্নদে। মোতেরাম - লাইগা হায়বসি মমিংতনি লৈবা জাৎ নত্তেদো। ঐখোয়গী কান্নগদবা মতমদা লাক্ত্রবদি মোয়বু লৈ হায়বা য়ারিবরো। ঐখোয়দগী চাথোক্কে থাক্তোক্কে খনবদি য়াম্না লৈ।' পন্দিটকী নুপীনা - সহর অপূম্বদা অফবা মী অমত্তা লৈত্রমাল্লে? লোয়না শিখ্রমাল্লে?" "শিবদা নত্তে, লোয়না পৎ-পুমখ্রে। খরা লৈরম্বদুসু চহী অমগী মনুংদা ঐখোয় লৈরি হায়না অমুক অনীরক্তনি থোরক্লিবা, অদুবু ৱানা, পূন্নমকসি আর্য্য সমাজগী মীশিংসিনা শিল্লিবনি।" "নঙদি য়ূমদা অদুম ফমদুনা লৈথোকই। হৌজিক্কী মতমদদি খরা হায়জ-নোঞ্জ তৌদ্রদি কনানদি ঐখোয়বু হংবীরক্কনি।" "নঙনা খল্লিবু ঐসি কনামত্তগা ৱারী শান্নদনা তুমিন্না লৈথোকইসিনিনে, সহরসিদা ঐনা য়াইফ পাউজেল পীদবা ইনাকখুনবা অমত্তবু লৈরল্লোই, পূন্নমক মশাগীতা খনবা ঙাক্তনি। তাঞ্জাসিদা পন্দিট চিন্তামনি হেক লাক্লে, মহাক মোটেরামগী য়াম্না লুনা তিন্নবা মমান্নবনি। মঙোন্দগী খরদি নহা ওইরি অদুনা পুক কংবসু খরা হন্থে। "মরুপ লাকথোক্তনা লাকপদি করি পাউ লৈগে? দোলগী পাউ লৈবরা?" চিন্তামনি- "কদায়দগীনোদা পাউ অমত্তা লৈতে, ঐখোয়গী লাইবকসিদি মওং অমনি।" মোতেরাম - "য়ূমদগীরা কদায় চৎলুবনো?" চিন্তামনি - ঐখোয়সি লাইনীংবা ওনখিবনা হেন্না ফরবনি। অপাম্বা, অনিংবা, নুংঙাইবা অমত্তা ফংদ্রবদা হিংলুবগী করি কান্ননি? ঙসিগী নুমিৎসিদা কান্নবা অমত্তা ফংদ্রবদা কৈদৌনদোইনো।" মোতেরাম - "অচুম্বদি মরুপ, নঙনা হায়রিবদু।" "ঐখোয়না পাঙথোক্কদবা থবক অমত্তা লৈত্রবনিনা, ঐখোয় লাইনীংবা ওইদুনা চৎখ্রসি।" মোতেরাম - "নত্তে মরুপ, পাখৎকনু। শিদ্রবদি কমদৌনা লাইরৈবাক্তা চৎকনি। অহাওবা চানবগীদমক থবক কন্না শুবা তায়। ঐগী অপাম্বদি হৌজিক গঙ্গা মপালদা চৎলসি অদুগা শেম্বীবা মপূগী মরমদা পাউজেল শন্দোক্লুসি, চৎসি।" নুপা অনীদু গঙ্গা মপাল তম্না লাক্লে। অয়ূক্কী মতমনি, মী লিশীং কয়া ইরুজরি, খরনা মন্ত্র পারি, খরা অমনা পান্দাশিংগী মনাক্তা ফমদুনা চন্দন থিল্লি। খরনা ফৈজোম অচোৎপা শেৎতুনা ময়ূম মায়কৈ পাংলি।

মখোয় অনীবু উবদা মায়কৈ মরিমক্তগী তরাম্না ওকপগী ৱাহৈ কয়া লাক্লি। মখেয় অনী মীয়ামগী পাউখুম পীরল্লগা তুরেলদা কুমথদুনা ইরুজরে। মদু লোয়রগা পান্দা অমগী মনাক্তা লাক্তুনা লাইশোল ঈশৈ শকপা হৌরক্লে। অসিগুম্বা অঙকপা মতৌসি উবদা মী চা কয়ানা লাংতক্লনা মখোয়গী মনাক্তা লাক্তুনা কোয়শিল্লরে। মী তিনবদু অসুম হেনগৎলক্লবদুদা পন্দিট মোতেরামনা নাপল তৌরপ তৌনা হায়রকই - "তিনবীরিবা মীয়াম পূম্বা, ব্রহ্মানা মপাল নাইদ্রবা মালেম অসি শেম্লকপা মতমদা ব্রাহ্মনশিংবু মাগী মচিন্দগী পুথোরকই হায়বসি খঙবীকো। ৱাফম অসিদা চিংনবা লৈবিবরা? মীয়াম - লৈতে-লৈতে, নহাক্লা হায়রিবদু অচুম্বনি,ককফদ্রবা ৱাফমনি।" মোতেরাম - "ব্রাহ্মনসি ব্রহ্মাগী মচিন্দগী থোরকই হায়বা ৱাফমসি ময়াম য়াবিরেকো। মরমসিনা চিন হায়বসি মীওইবগী হকচাংগী খ্বাইদগী মরুওইবা শরুকনি। মরমসিনা চিনবু নুংঙাইহনবা হায়বসি মীপুম খুদিংগী শোয়ফদ্রবা থৌদাংনি, নৎত্রনে? ঐগী ৱাফমসি য়ানীংদবা কনা য়াওবগে, থোকপীরকউ ঐ খুদমগা কোন্ননা তাকচগে।" মীয়াম - নহাক্তি অখঙ অহৈনি। নঙগী ৱাফমদু কনানা ককপা ঙমগনি?" মোতেরাম - "চিনবু নুংঙাইহনবা হায়বসি মীওইবগী অথোইবা থৌদাংনি হায়রে, মসিদগী মায় লৈদুনা চৎলবদি খুদোংথিববু কৌবনি, ঐগী ৱাফমসি য়ানীংদবা য়াওব্রা?" মীয়াম "অথোইবা ইবুংঙো, নহাক্তি লাইরিক লাইশু হৈবা মীনি।" মোতেরাম- ফরে, ফরে, হৌজিক চিনবু মতৌ করম্না নুংঙাইহনগদগে হায়বদু ঐ হায়গে। নঙ-নঙগী ঙমজবা থাক মতুংইন্না লাইগী মতিক ময়াই শক্তুনা, অফবা পাউতাক লৌদুনা লৈয়ু, অকনবা ৱাঙাঙ ঙাঙবীগনু। মসিনা চিনবু থোইদোক্লা নুংঙাইহনগনি। কনাগুম্বনা অৱাবা তারবদা মাবু পূক্লিং থৌগৎপীগদবনি অদুবু পূন্নমকসিদগী হেনবা খ্বাইদগী কান্নবা উপায় অমা লৈ মদু কনানা হায়বা ঙমগনি? হায়য়ুনে।" মীয়াম - "হে, অথোইবা মী নঙগী নমাঙদা কনানা পাউখুম পীবা ঙমগনি? নহাক্লা অদুম তাকপীয়ু। মোটেরাম - 'থানা থৱানমিচাক পূন্নমক্তগী হেনবগুম পূন্নমক্তগী হেনবা পাম্বে অমা লৈ।' মীয়াম- "হায়বীয়ু, হায়বীয়ু।" মোতেরাম- "মদুদি চিনবু খ্বাইদগী হাউবা পোৎনা চিন্দমহনবা, অহাও-অহাওবা পোৎ পীজবা। মসিদা য়ানীংদবা কনা য়াওবগে? ধর্ম্মগী লাইরিকশিংনা প্রমাননি।"

নুপা অমনা হায়রকই - "অচুম্বা ঙাঙবদগী অহাওবা চাবনা হেন্না নুংঙাই হায়বসিবু করম্ননো?" মীয়াম্না হায়রকই - "মান্নি-মান্নি, মসি চিংননিংঙাইনি, চিংনবসি কোকহনবীয়ু।" মোতেরাম - "চিংনরিবদু ঐ কোকহনঞ্জগে। ময়াম্না হংবী অহাউবা চাবনা অচুম্বা ঙাঙবদগী হেন্না নুংঙাইরিবসিগী মরম করিনো হায়না। ঐগী পাউখুম অমনা হকথেংনবনি অমনা হকথেংনদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঐনা অরানবা অমা তৌরুরে। বিচারপতিনা ঐবু কৌরগা পন্দিট নঙনা অরানবা অমা তৌরুরে, নঙ মরালগী চৈরাক ফংবা তারে। অদুবু চৈরাকসিনা ঐবু অচুম্বা লম্বীদা পুরকপদি করিসু ঙল্লোই। বিচারপতিগী মমাঙদগী হেক থোরকপগা ফত্তবা লম্বীদা চৎপা অমুক হৌগনি। ঐনা হায়রিসি য়ানীংইকো? কনা য়ানিংদবা য়াওবগে?" মীয়াম - ইবুংঙো নহাক্তি লৌশিং লৈবনি, নহাক্লা হায়বা খুদিংমক অচুম্বনি। মোতেরাম - ফরে, অদুদি খুদমসিদা ৱাখল খন্থবীরো, বিচারপতিনা মাবু কৈশুমশঙদা থাজিন্দুনা ওৎপা য়াবা ওৎলে। ঐনা কৈশুমশঙদগী থোরক্লবদা মতমদুদা ৱাখিবশিংদু নীংশিংদুনা লৈরগনি, ফত্তবা লমচৎ থাদোরকপসু য়াই। অনীমক চৈরাক ঙাক্তনি, অমনা হকথেংননা ফংবনি অমনা হকথেংনদে। ময়াম খঙবীরেকো?" মীয়াম - য়াইফবা ওইবীয়ু, মপূ ইবুংঙোনা নহাকপু লৌশিং চাউনা পীবিরে।" মোতেরাম - ফরে, ঐনা ময়ামদা হংজনীংবদি খ্বাইদগী অথোইবা পোৎসি করিনো? তাইবঙ শেম্বা মপূনা মচু-মখল কয়া শেমদুনা মিৎপু নুংঙাইহল্লি, মতৌ অসুম্না চিনগীসু মহাও তংননবা মখল কয়াগী অচা-অথক শেল্লি অদুবু অহাওবা পূন্নমক্তগী হাউবসি করিনো? মাগী মাগী অপাম্বসি খেন্নে। লাইয়াম পূম্বদা মসিদা ঙাওনরিবনি, মপাঙ্গল কল্লবা, অথোইবা লাইয়ামশিংসু অহাউবা মথেলশিংদা ঙাওরিবনি। থুম য়াকপা অচাপোৎ পাম্বা লাই অমত্তংগী মমিং হায়বীয়ুদনা? অখাবা, অয়াকপা, চবেৎনবা অচাপোৎশিংসি লাই অমত্তনা পামদে।" মীয়াম - "অথোইবা ইবুংঙো নহাক্কী লৌশিংসি ঙমখৈ নাইদে।" মোতেরাম- "অথুম্বা অচা-অথকনা ময়ামদগী হেল্লি হায়বসি খঙবীরেদনা। হৌজিক ময়ামদা হংজনীংলিবসি অথুম্বা অচা-অথক পূন্নমক মহাও চপ মান্নব্রা হায়বসিনি। ঐনা মান্নে হায়বদি নখোয়না ঐবু ঙাওরে হায়নখিনি, অদুনা ঐনা হায়রিবসিনি 'মান্নদে' হন্না-হন্না হায়রিবসিনি 'মান্নদে'। অথুম্বা অচাপোৎ খুদিংমক মহাও মান্নদে। চিনিগা চিনি অঙাংবগসু মহাও মান্নদে। মরমসিনা চিনবু নুংঙাইহন্নবগীদমক্তা হাউবদগী হাউরবা অচা-অথকশিংবু পীজবা হায়বসিনা অথোইবা থৌদাংনি। নখোয়না ফজখ্রবা পুখমদা আগরাগী মোতিচুর, মথুরাগী বেড়া, বনারসকী কলাকন্দ, লক্ষনৌগী রসগুল্লা, অযোধ্যাগী গুলাবজামুন অদুগা দিল্লিগী হলৱা-সোহন হাপ্তুনা শেম্বীবা মপূদা কৎলো, মদুদা শেম্বীবা মপূনা হরাউ-হরাউনা লৌবীগনি। অসুম্না অসিগুম্বা অচা অথকশিং অসি ব্রাহ্মনশিংবু পীজ-পীথক তৌরবদি চঙনা লাইরৈবাক য়ৌরবনি। তৌফম থোকপা থৌদাং পাঙথোকপীয়ু নৎত্রবদি মী ওইবগী কান্নদ্রবনি।

পন্দিট মোতেরামগী পাউতাক লোইরে মীয়াম্না খুবাক হৌনা হৌনা খুরকই। মীওই খরনা মাগী লৌশিং লৌশিন্নীংঙাই ওইরবা ৱাফমশিং তাবদা মঙোন্দা থাগৎপা ওইনা লৈ খুজোক-খুজোক চাইশিল্লকই। মতাংদুদা পন্দিট চিন্তামনি অমুক মখা শমথরকই - "তিনবীরিবা মীয়াম পূম্বনা ঐগী নুংশিজরবা মরুপ মোতেরামগী পাউতাক্লা থল্লবা ৱাখল্লোন তাবীরে, মরকসিদা ঐনা অমুক হন্না হায়রুবগী কান্নবা লৈত্রে, মানা হায়রিবশিংদু ঐ লোইনা য়াজনীংই। অদুবু মাগা ঐগা ৱাখল্লোন খেন্নবা মতাং য়াওদবসু নত্তে। ঐগী ৱাখলদা নহাক্কী পুখমদুদা শুপ্নতংগী জৌনপুরগী ইমরতিদং হাপ্লবসু পূন্নমক্তগী হেন্না হাউগনি। মসি ঐ শাস্ত্রগী খুদমশিংগা লোয়ননা হায়বা ঙমগনি। মসিদা মোতেরামনা শাউনা হায়রকই - "মদু নহাক্কী অরানবা থাজবনি। আগরাগী মোতিচুর অমদি দিল্লিগী সোহন হলৱাগী মমাঙদা জৌনপুরগী ইমরতিদি করিসু নত্তে।" চিন্তামনি "খুদমগা লোয়ননা হায়বীয়ু।" মোতেরাম - "অচুম্বা ৱাফমসিদা করিগী খুদম।" চিন্তামনি - "মসি নঙগী অপঙবদু মপাল থোরকপনি।" মোতেরাম - "নপুন্সি চুপ্পা চারক্লবসু মহাও খনবদি হৈত্রি।" মসিদা চিন্তামনিনা মাগী ফিদাদু মোতেরামদা লংলকই। মানা মদু কন্থোকই লোয়ননা অঙাওবা শামুগী মতৌগুম মানা চিন্তামনিরোমদা চোঙশিল্লকই অদুবু মফমদুদা তিল্লক্লিবা মীয়াম্না মবান্নিবু খামদোকই।

**হিন্দীদগী হন্দোকপা**
**—লৈমপোকপম বেদান্তী**